### ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯


# এ আই এম খাবম অমদি এ এফ সি থৌবাল মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ আই এম খাবমনা এফ সি টি ৰাই দি এ তৌবুলবু পাঞ্জল ৬-৩দা, এ এফ সি থৌবালনা সিমরোপিয়া এফ সিবু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা এ আই এম খাবম অমসুং এফ সি টি ৰাই দি এ তৌবুল লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা এ আই এম খাবমগী জর্সি নম্বর ২০ পিটরনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংবা ঙমখি। মখা তানা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা টিম অসিমক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ এম দি অখবর খাননা চন্দুনা পাঞ্জল ২-০দা এফ সি টি আই দি এবু হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমদা পাঞ্জল ২ শোত্থদুনা লৈরিবা এফ সি টি ৰাই দি এগী মায়কৈদগী ৩৯ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৫ জেনবীলুংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ আই এমনা এফ সি টি ৰাই দি এবু ২-১দা মাংজিল থাখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা এফ সি টি ৰাই দি এনা অহানবা হাপ্তা শান্নখিবা মতৌদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। লেপ্তুনা এটেক কয়া চত্থরকপ্পা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ মনি সিংহনা ইক্বেলাইজর চনখি। মখা তানা লেমহৌবা মতমদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্মখিদবদগী পেনাল্টি কাউনখি।

টিম অনীনা পেনাল্টি কাউনখিবদা এ আই এম খাবমগী মায়কৈদগী ৪ চনখি। অদুগা এফ সি টি ৰাই দি এনা ১ খক চনবা ঙমখিবদগী মেচ অসি এ আই এম খাবমনা ৬-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সিমরোপিয়া এফ সি অমসুং এ এফ সি লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অপীবা মতমদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২ চনবা ঙম্মখিবদগী পেনাল্টি কাউনখি। পেনাল্টি কাউনখিবদা এ এফ সি থৌবালনা পাঞ্জল ৬ অদুগা সিমরোপিয়ানা পাঞ্জল ৫ চনখিবদগী মেচ অসি এ এফ সি থৌবালনা সিমরোপিয়াবু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখি।


### ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯


# সাইক্লোননা চেম্পপু রন ৮৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেম্পল্লিবু রন ৫৯, ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসি অম্পয়র নন্দরাজ অমসুং কিরন অনীনা কন্দক্ট তৌখি। মেচ অসি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। অহানবা ইনিংসতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ শিদুনা রন ২২৬ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী রনশিং অদু বিকোমনা বোল ৩৯ মায়োক্লবদা রন ৬০, রোবিন্দ্রোনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ৫৯, দল্লীয়ু সুর্জিৎনা বোল ২১ মায়োক্লবদা রন ২৪ লৌবা ঙমখি।

অহনাবা ইনিংসতা বোল্লিং তৌখিবা চেম্প টিমগী মায়কৈদগী রতননা ওভর ৬তা ৱিকেট ১, ইন্দ্রবমনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১, বুলুনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইনিংসতা চেম্পনা ওভর ২৮.৩ দা ৱিকেট ৯ শিদুনা রন ১৩৯ খক লৌরগা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মখুৎতা রন ৮৭দা মায়থীবা নংখি। চেম্পকী স্কোরশিং অদু ইন্দ্রবমনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৪০, রতননা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা রন ৩০ বাবুলনা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ২১ লৌখি।

অনীশুবা ইনিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী রোবিন্দ্রোনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩, সুরজনা ওভর ৬তা ৱিকেট ২, রোমেলনা ওভর ২.২দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচ সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী প্লেয়র রোবিন্দ্রোনা রন ৫৯ অমদি ৱিকেট ৩ লৌদুনা তাখি।

হয়েংগী মেচতা এল সি সি সি লিলোং চজিং অমসুং ৰাই দল্লীয়ু সি লংথবালগা লম্বা তৌগনি।

# ৩১শুবা সিনিয়র ষ্টেট লেভেল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খা মণিপুর আর্চরি এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩১শুবা সিনিয়র ষ্টেট লেভেল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ (নুপা অমসুং নুপী) ২০১৯ ঙসি লাংমৈদোং প্লেগ্রাউন্দদা ককচিংগী এদিস্নেল এস পি লুনখোমাং খোঙসাইনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্সপেক্টর ভি আই পি সিক্যুরিটি ৰাই জয়কুমার সিংহ, ঐচ কন্যাহল মেমোরিএল ইংলিস স্কুলগী ফাউন্দর ডা. ঐচ জিতেন সিংহ, মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী সেক্রেটরী ডা. জি এ ইবোপিশক শর্ম্মা, রিটয়ার্দ সুবেদার মেজর লৈতান্থেম থোম্বা সিংহ, পি ই টি লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দেরি স্কুল ঈ খোমৈ সিংহনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন লীগ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এন্দ স্পোর্টস অমসুং অমোফা অনীনা খুৎশম্ন দুনা পাঙথোকপা য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন লীগ ২০১৯গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা লক্লিবা দিসেম্বর ১৪দগী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ক্রিপসা অমসুং পি এল এল লম্বা তৌনরগনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা পুং ৯.৩৫ তাবা মতমদা দল্লীয়ু এফ এ অমসুং এল সি লম্বা তৌনরগনি। দিসেম্বর ১৫গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা এ এম এম এ অমসুং ৰাই দল্লীয়ু সি, পুং ৯.৩৫ তাবা মতমদনা আই সি এস এ অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনরগনি। মেচশিং অসি মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কনি।

# সোফটবোল ট্রায়ল সেলেক্সন অমদি কাঙ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সোফটবোল মেন এন্দ ৱিমেন টিম ২০১৯-২০দা শরুক য়ানবা ট্রায়ল সেলেক্সনি চৎলিবা থা অসিগী ১২দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু থা অসিমক্কী ১৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি সোফটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কাঙ টুর্নামেন্ট মথং চহীগী জনুৱারি ৩০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ক্লাস টেন সার্টিফিকেট, ক্লাস টুয়েলব মার্ক সিট, রিদিং সার্টিফিকেট, পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনী অমদি লাষ্ট কাঙ পাস সার্টিফিকেটশিংগা লোয়ননা মথং চহীগী জুনৱারি ২৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিন্নবা খঙহল্লক্লি।

# লাম্বুং ৰাই সি সি, জাইওটলাং এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা লীৱা সারৈ গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা এ দি সি চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লামবুং ৰাই সি সিনা লিৱা খুল্লেম ৰাই সিবু পাঞ্জল ২-১দা, জাইওটলাং এফ সিনা রিভরলেন ৰাই সিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

# পাৱর লীফটিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মথং চহীগী ফেব্রুৱারিগী অনীশুবা চয়োলদা টামিল নাদুগী সালেমদা পাঙথোক্কদবা ফেদরেসন কপ অমসুং নেসনল দেদ লিফ পাৱর টিম চেম্পিয়নশিপ (মেন এন্দ ৱিমেন) লোয়ননা মথং চহীগী মার্চ ১৫দগী ১৮ ফাওবা দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা নেসনল বেঞ্চ প্রেস (চহী কাংলুপ পুম্নমক) পাৱর লিফটিং এন্দ নোর্থ ইন্দিয়া (মেন এন্দ ৱিমেন) পাৱর লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী পাঞ্জর লীফটর খন্ননবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাৱর লিফটিং এসোসিএসন মণিপুরগী মখাদা নিঙোমথোংদা লৈবা নোংমৈকাপ্পম গোজেন্দ্রগী শঙ্গাইদা থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


### ২শুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০


# ৰান্টেদ বোইজ, অল অমিন মায়পাকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ৰান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৰান্টেদ বোইজনা ৰাই ৰাই সি সঙ্গাইয়ুম্ফমবু পাঞ্জল ১-০দা, অল অমিন সঙ্গাইয়ুম্ফমনা এল এম এফ সি লিলোংবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা ৰান্টেন বোইজ অমদি ৰাই ৰাই সি সঙ্গাইয়ুম্ফম লম্বা তৌনখি। মেচকী অপীবা মতমশিংদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা চত্থনখি। ৰান্টেদ বোইজকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ তাজউদ্দিননা চনবা ঙমখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা অল অমিন সঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি এল এম এফ সি লিলোং লম্বা তৌনখি। মেচ হৌবদগী হৌনা অল অমিননা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। অল অমিনগী মায়কৈদগী রসিদ, ববোই, রিয়াসদ অমদি সাবিরনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ৪-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।


### অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল বোল্লিবোল


# ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ শেম্বা লোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পু দেমখোসৈক গাংতেনা শীন্দুনা তুইবোং গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৯দগী চত্থরক্লিবা অহানবা পু দেমখোসৈক গাংতে মেমোরিএল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কেৰাই এল এস সী, এন ৰাই য়ু এ, ২৫ অসাম রাইফলস, য়ু কে এস সী, কেৰাই এল এস সী, আর সী, এন ৰাই ভি এ, এম পি এস সী, ৰাই এম দি ও, ঐচ ৰাই দি সী সী এল, কে এস ও, এস এস সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং অদুদি ৰাই দি এ অমসুং য়ু কে এস সী, ৰাই এম দি ও অমসুং ঐচ ৰাই দি সী সী এল, এম পি এস সী অমসুং আর সী, কে ৰাই এল এস সী অমসুং এন ৰাই ভি এনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লান্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


ꯀꯨꯝꯁꯥ ꯃꯁꯤꯡꯈꯥꯏꯔꯕ / HEAVY DISCOUNT

Christmass অমদি অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা
HVS Construction Materials Pvt. Ltd না চেক্কী Discount পীজরি।

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Mec 1st Class | 5% |
| 2. | Mec. 2nd Class | 20% |
| 3. | Mec 1st Reject | 20% |
| 4. | Mec Jamat Atingba | 20% |
| 5. | Mec Petty Class | 20% |
| 6. | Mec 3rd Class | 20% |

পীজরিবা চেক্কী Discount অসিবু খুদোংচাবা অথুবদা লৌবিহৌ।
Please Contact Nos. 0385 - 2436111
8415902343
Sd/- Managing Director
HVS Construction Materials Pvt. Ltd.
Patsoi Lamkhai N.C. Road Imphal, Manipur - 795113
HL-P/5475/11,12,13

M.S.S
MSS BRICKFIELD
MECHANISED BRICK UNIT
Patsoi Part One, N.C. Road, Imphal West
+91 7627923289, 8974869590
BRICK RATE DISCOUNT UPTO 31ST DECEMBER 2019

| SL.NO. | TYPES | DISCOUNT RATE |
|---|---|---|
| 1. | 1ST CLASS | ₹12.00/- |
| 2. | 2ND CLASS | ₹11.50/- |
| 3. | REJECT / JAMAT | ₹10.50 |
| 4. | PETI | ₹10.00/- |
| 5. | 3RD CLASS | ₹6.00/- |

* NB: ALSO AVAILABLE ALL SIZE OF STONE CHIPS
HL-P/5476/11-14

TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com
HL-P/5445/7/13



HL-B/5749/17oct-16nov.



HL-B/5837/29nov to 27jan


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com